থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ইনকমগা চানদবা লন-থুম লেপশিনবগী চৈরাক

লৈবাক ঙাকপগী শিনফম অসিসু মওং চুম্না, নিয়ম ঙাক্না তৌদ্রবদি পাপ মখল অমনি। ঙরাংগী থম্মোয় পাউদমদুদসু ইজখিবনি। পাউদমদুনা পেলহৌদে। মখা তানা ইনিংলি। অদুননি, অতোপ্পা হীরম অমদা ইগে খল্লুরগসু, কলম পায়দুনা ফমথরুবসিদদি ৱাখলসিদা পাইশিল্লক্লে- হুরান পুকচেল চেনবা, শেঙ্গা-থুমজানা হারবা, লৈবাক ঙাক্লি ৱাশক্লগা লৈবাকসিবু মাঙহনবা, লৈবাক ঙাক্কে চোংথোরল্লিবা ঐখোয়গী পোলিটিসিয়নশিংসিগী ৱাখল। তানিংদ্র'সু তানিংদনা, পানিংদ্র'সু পানিংদনা পাউদমসিমত্তংগা পাবীয়ু। তাদবা য়াদবনি, খঙদবা য়াদবনি। ঙাকপী শেনবীগদবা মখোয়না নঙবু ওৎপা মীওৎপা ওইরক্লবদা মখোয়গী অরোনবা মশক খঙদোক্তবা য়ারিবরা?।

হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনা, লৈবাক্কী খ্বাইদগী ফোং ফোং শাবা পাউ হায়রগদি তামিল নাদুগী অচৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনবগী মঙ মঙজরম্মী ভি কে সশীকলা, হৌজিক্লা কৈশুমশঙদা মিয়াৎ তাখ্রবীদুগী ৱারীনি। মাগী ৱারী তারুরগা কৈদৌনরুগদগে? হায়রক্কনি কনাগুম্বনা। ফিদম্লিংঙাই ওইবী নুপীনি খন্না মাগী ৱারী শানিংলুবা নত্তে। মাগী পুন্সি ৱারী খঙলুবইসু কান্নদে। মাগী ৱারী নীংশিংদবা/খল্লুদবা য়াদবগী মরমদি- জয়াললিতা অমদি সশিকলা অনীগী ৱারীনা তামিল নাদু পোলিটিক্স (ফোর দেট মেত্তর, ইন্দিয়ন পোলিটিক্স) মশক লেপ্পদা অচৌবা মতেং ওইননি হায়বদুগীদমক্লি। সশিকলা নাতরাজন, শাংলবা চহী কুম্থা অসি তামিল নাদুগী অহুল্লক চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী, দিসেম্বর ৫, ২০১৬ তা লৈখিদ্রবী জয়াললিতাগী খ্বাইদগী নক্কনা লোয়নরম্বী মরুপ অমনি। মশক নাইবী পোলিটিসিয়ন (মিনিষ্টরগুম্বা) অমুক্ত ওইরকখিদে। মহাক্কা মমিং চৎলকখিবদি কুমারী জয়াললিতা-মশাগী শেন্থোকলম্বী অমদি ইনকমগা চানদবা মওংদা কা হেন্না মরল-মথুম লেপশিল্লি হায়বগী মরালদা ৱায়েন চথরকপদা কো-এক্যুজ ওইরম্বদগীদি। মহাক্কী মরুওইবা মরালদি- কদায়দগী কমদৌনা লাকপা শেনফমনো খঙদবা, লুপা ক্রোর ৬০ মুক্কী চাং ওইগদবা শেনফম শীজিন্নবদা চেন্নরম্বগী খুদম-চাংদম ফংবা অদুনি।

লুপা ক্রোর ৬০! লুপা ক্রোর লাখ কয়ানা খুজিং ওইবা শেঙ্গা-থুমজাগী ৱাথোক, স্কামগী যুগ অসিদা লুপা ক্রোর হুস্ফু! করিসু লৈতবা শেনফমনি। খল্লম্বসু য়াই কনাগুম্বনদি। অদুবু কেস অসি চহী কুন শোক্লরক্লবা কেস অমনি। লুপা ক্রোর হুস্ফু, চহী কুনগী মমাঙদা ভেল্যু কয়া ওইরমগনি? হুরানবগী খুৎতগী ফাগৎলবা পোৎতু নত্তবা, কদায়দা করি লৈরম'নি কনানা হায়বা ঙম্বগে? জয়াললিতাগী কেস অসিদা ঙক্লিবদি, ওইদ-পাদবা থবক তৌদুনা মরল লেপশিনবনি খঙলবসু মঙোন্দা মীয়ামগী থাজবা হনবা নাইদবা অসিনি। করপ্ত ওইরে খঙলবসু, মাগীদমক শিবা ঙম্বা তামিল কয়া থোক্লকখি। মরম? মহাক্লা তামিল-শিংগীদমক পায়খৎলম্বা থবক কয়া, অতৈ ইন্দিয়ন পোলিটিসিয়নশিংনা মতৌ তম্বা ঙম্নদরি। তামিল নাদু পোলিটিক্স'তা জয়াললিতা'না থল্লম্বা 'অহাঙবা' অদু মেনশিন্নবা হোৎনবদনি 'মঙাল য়াওদবা নুমীৎ' অমা তামিল নাদুগী অতিয়াদা থোক্লিবা। 'সশিকলা'না ইরায় লায়না খন্দোক্লুই- অম্মা (ইমা) গী থৌজাল ফংদুনা এ আই দি এম কে'গী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরবনি, চীফ মিনিষ্টরগী চৌক্রি তম্না অয়েৎ অথিং য়াওদবা লম্বী অমদা চৎলনি।

মীনা শিনবনা অমা, লাইগী নোংদম্না অমা! কয়া চুম্না হায়রমখ্রবা! কৈশুমশঙগী কাখুদা চহী মরি! মদুগী তুংদসু চহী তরুক ভোট লেপ্পা য়াদবা! হায় কোর্টনা ককখ্রবা 'ত্রাইয়েল কোর্ট' অমগী ৱায়েন'দুবু, করিমত্তা হোংদনা 'সুপ্রীম কোর্ট'না চৎনহল্লক্কনি হায়বদি খনখিদবনি। কনামত্তনা।

মশাগী ইনকমগা চানদবা মরল মথুম লেপশিনবা য়াদে, লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীবা য়াই হায়বসি, লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংলবা মী অয়াম্বনা খঙনরগসু, তৌবা ঙম্বা-হাই প্রোফাইল পোলিটিকেল লিদরফাও য়াওনা চৈরাক ফংই হায়বসি জয়াললিতাগী ৱাথোক অসিনা, অতৈ ইন্দিয়ন পোলিটিসি-য়নশিংদা মিপাইনিংঙাই ওইবা পাউজেল অমা পীরম্লোইদ্রা? হংনরিবনি পুন্নমক্না। জয়াললিতা'দা তৌরিবা চার্জ অসি মরিনি- ১. মশানা পায়রিবা ওফিস অমদি শক্তি লান্না শীজিন্নবা; ২. মাগী ইনকমগা চানদবা মরল-মথুম পৈশিনবা/লেপশিনবা; ৩. ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি (অতোপ্পদা লৌতুনদুনা আইন থুগায়বা) অমদি ৪. করপসন (শেঙ্গা-থুমজা) গী থবক।

জয়াললিতাগী ৱা-ঙাক নত্তে, ক্রাইম মখল মরি অসি লংশিন্দবা ঐখোয়গী এম এল এ/মিনিষ্টরবু লৈরমগদ্রনে? এম এল এ/মিনিষ্টরসু তোকখ্রসি, ষ্টেট নৎত্রগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ওফিসশিংদা অচৌবা পোষ্ট পায়রিবা ওফিসরশিং, পোষ্ট অদুগী মরুমদা শক্তি লান্না শীজিন্নদুনা খুদোংচাবা লৌদবা চাদা মঙা শুরম্লোই। শেল চাদবা ওফিসর/মন্ত্রি অনী শুনা লৈবরা? মশাগী ইনকমগা চানদবা মরল মথুম লেপশিনবা মীদি লৈ মশীং থীঙমদনা। করি তৌরি খঙদনা ক্রোরপতি ওইবা মীসু খঙলে উরে পুন্নমক্না।

অদুবু অঙকপনি ইন্দিয়ন-লো! কনাগুম্বা অমনা পাউতাক্ত্রবা ৱায়েনশঙদা, তূমদুনা লৈগনি আইন ঙাকপা মখোয়সু। ক্রিমিনেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) অমদি ইনকম টেক্স (আই টি) দিপার্টমেন্ট- অনীমক্না থিগৎলোই। আইনগী মীৎতা উফুল চাইবা য়ানবা, শেঙ্গা-থুমজা, অরানবা তৌবা ওফিসর, পব্লিক সার্ভেন্ট ফাদুনা চৈরাক পীনবা নেসনল অমদি ষ্টেট লেবেল লেজিসলেসন (লো) কয়া শেম্মী লৈবাকসিদসু। প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮- অসিগুম্বা লো অমনি। এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩, সব-সেক্সন (১) গী ক্লোজ 'ঈ'দা হায়রি...'মীয়ামগী থবক তৌবা (পব্লিক সর্ভেন্ট) কনাগুম্বা অমনা, নৎত্রগা মাগীদমক অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনা, মহাক্না মীয়ামগী ওইবা/সরকারগী ওইবা ফম পায়রিঙৈদা, ফম অদু পায়দ্রিঙৈ মমাঙদা লৈরম্বা মরল-মথুম অদুগী মথক্তা, অহেনবা লন-থুম মশাগী ইনকমগা চানদনা পৈশিল্লম্বা/লৌশিল্লম্বা থোক্লবা, মহাক অরানবা পাম্বৈনা মরল লেপশিনবগী মরাল লৈরে হায়না লৌগনি।

ঐখোয় শ্বায়দা পুন্নমক্না ঙাঙনৈ-অদুগুম্বা অঙম-অথৌ/মন্ত্রিশিংগী নক্লবা মরী-মতা, মশেন-মবাই, মরুপ-মপাং কয়াগী মিংদা মচা-মশু-শুরোন ফাওবগী মীওইশিংনা ৱাত্ত-পাদা পান্নবা মরল-মথুম লেপশিনখ্রবনি। অদুবু, মীয়াম-খঙবা অচুম্বদুদি... লুপা লাখ অমা ফাওবা শুনা বেঙ্ক বেলেন্স লৈজদবা ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টরনি, চহী মঙাগী মমাঙদা। চহী মঙাগী তুংসিদা হৌজিক্তি লাখ অমা ফাওবদি পায়রল্লনি শোয়দনা।



লৌশিং পুক্কৈ

# চহী নৌনা মেনোপোজেল সিম্পটম মায়োক্লবা

থাগী খোঙকাপ খল্লমদাইদা নুপী ওইবীশিংনা খুদোং-চাদবা কয়ামরুম মায়োক্লে। হুমাং পাখৎপা, নুমীদাং হুমাং শৌবা অমসুং অতৈ খুদোংচাদবশিং মায়োক্লে। মসিবু মেনোপোজেল সিম্পটম হায়না খঙনৈ। মনুং মতম চাদবা মওংদা চহী নৌনা মেনোপোজেল সিম্পটম মায়োক্লবা নুপীশিং কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ (সী ভি দি) না মরম ওইরগা শিবা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী পেন্সিল-ভেনিয়াদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ পিট্সবর্গকী প্রোফেসার রেবেকা থরষ্টননা হায়খি, থাগী খোঙকাপ খল্লমদাইদা মায়োক্লবা খুদোংচাদবশিং অসিনা হকচাং নুংঙাইহন্দবা তারবসু থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদে হায়না থাজনরম্মী। অদুবু মেনোপোজেল সিম্পটম হায়বসি এন্দোথেলিয়ম (ঈ উতোংগী লাইনিং) দা অশোয়বা লৈরকপগা মরী লৈনৈ হায়বা খঙলে। মীয়ায় চল্লবা নুপী খরদি মেনোপোজেল সিম্পটমনা ব্লদ ভেসেলদা কা হেন্না অহোংবা থোকহল্লকপদগী হার্ট দিজিজ ওইহল্লকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বসু খঙলকখি।

প্রোফেসার থরষ্টন অমদি মহাক্কী কাঙবুনা থাগী খোঙকপা খমখ্রবা নুপী ২৫২ দা ষ্টদি চথবদা ৱাফম অসি খঙলকখিবনি।

ফ্লো-মেদিয়েটেদ দাইলেসন (এফ এম দি) য়েংলগা এন্দো-থেলিয়ল দিসফঙ্কসনগী মওং মতৌ খঙদোক্লবা হোৎনরম্মী। রিছার্চ-শিংনা মতৌ অসুম্না অল্ট্রাসাউন্দগী মতেংনা এফ এম দি য়েংবদা মশাগী চহী ৪২ শুদ্রিঙৈদা মেনোপোজেল সিম্পটম মায়োক্লবা নুপীশিং হার্ট দিজিজনা মরম ওইরগা ঙস্তানা শিবা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়বা খঙলকখি। অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসিনা মরম ওইরগা কার্দিওভাস্কুলর দিজিজগী রিস্ক ৱাংবা মীয়ায় চল্লবা নুপীশিংগী পুন্সি কনবা ঙম্লবা য়াই হায়না থাজনরি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'মেনোপোজ' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

মেনোপোজ হায়বসি থাগী খোঙকাপ খমখিবগী থৌওংবুনি। মশাগী চহী ৪০ নৎত্রগা ৫০ শুরকপা মতমদা নুপীশিংনা থৌওং অসি মায়োক্লে। মেনোপোজনা মরম ওইরগা মীরোনবা য়াবগী খুদোংচাবা মাঙখি। অদুম ওইনমক নুপা-নুপীগী ওইবা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা থোইদোকপা অকায়বা থোকহন্দনা অমসুং হকচাং ফনা লৈবা য়াই। অমরোমদা, নুপী ওইবী খরদি মেনোপোজ লাকপদা মীরোনবগী অৱাবা লৈররোই খল্লুবদা হরাওবা পোকই।

মেনোপোজ নৎত্রগা থাগী খোঙকাপ খম্বগী মতম নকশিল্লকপা মতমদা মায়োক্লরকপা খুদোংচা-দবশিংদি থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, মপান থোকফম (অথিফম) ইকং-কংশিল্লকপা, হুমাং পাখৎপা, নুমীদাংদা হেক হেক হুমাং শৌবা, তূম্বা য়াদবা, ৱাখল লৈতাফম খঙদবা, হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলকপা, শম পাথরকপা, উনশা ইকং কংশিল্লকপা অমসুং থবাক্কী শরুক ময়েং তারকপা অসিনচিংবনি। মেনোপোজ নকশিল্লক্লবদি থাগী খোঙকাপ চাং নাইরক্তবা থেংনগনি।



নুপী ওইবীশিংনা চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা রিপ্রদক্টিব হোর্মোনশিংগী চাং হন্থরকই। মশাগী চহী ৩০ হেল্লক্তুনা ৪০ নকশিল্লক্লবদি ইষ্ট্রোজেন অমসুং প্রোগেষ্টরোন পুথোকপগী চাং হন্থরকই। হায়রিবা হোর্মোন মখল অনী অসিনা থাগী খোঙকাপ লাকহনবনি। হোর্মোনশিংগী চাং হন্থখিবা মতমদা থাগী খোঙকাপ চাং নাইরক্তবগা লোয়ননা মীরোনবা ঙম্বগী মতিক ময়াইসু মাঙখি।

চহী ৪০ হেল্লবা নুপীশিংদি থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমদা হান্নগা মান্নদবা মওংদা মতম শাংনা নৎত্রগা তেনশিন্না থাগী খোঙকাপ লাকই। মশাগী চহী ৫১ শুরকপা মতমদদি থাগী খোঙকাপ পুমলেপ লেপখি। কনাগুম্বা নুপী অমা হিষ্টরেক্টোমি তৌদুনা য়ুটেরস অমদি ওভারি লৌথোকখিবা তারবদি ইথা থাজদবা মওংদা খঙহৌদনা থাগী খোঙকাপ খঙলেন লেপখি। মতমদুদা ইখঙ খঙহৌদনা মেনোপোজেল সিম্পটম মায়োক্লরকই।

কনাগুম্বা কেন্সর নারবা নুপী অমা কেমোথেরাপি অমসুং রেদিয়েসন থেরাপি তৌবা মতমদা থাগী খোঙখাপ লেপখিবদগী মেনোপোজেল সিম্পটম মায়োক্লরকপা য়াই। অদুবু মতম খরগী মতুংদা হান্নগী মতৌগুম থাগী খোঙখাপ লাকপা য়াওই।

অপূনবা নুপীগী মশীংগী চাদা ১ রোম মশাগী চহী ৪০ শুদ্রিঙৈদা থাগী খোঙখাপ লেপখিবা য়াওই। থৌওং অসিবু প্রিমেচ্যুয়র মেনোপোজ কৌই। জেনেটিক ফেক্টর নৎত্রগা ওটোইম্যুন দিজিজনা মরম ওইরগা ওভারিনা রিপ্রদক্টিভ হোর্মোন পুথোরক্তবদগী ফীভম অসি ওইহল্লকপনি। প্রিমেচ্যুয়র মেনোপোজনা ব্রেন, হার্ট অমদি শরূ শোকহল্লকপা য়াবা মরম্না হোর্মোন থেরাপিগী মতেংনা লায়েংবা মথৌ তাই।

থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা নুপীশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী লায়না কয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মরুওইনা ইষ্ট্রোজেন লেভেল হন্থখিবা মরম্না হার্টকী লায়না নারকপা য়াই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ হকচাংগী অরুম্বা, কোলেষ্টরোল অমসুং ব্লদ প্রেসর হেনগৎলক্তনবা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মথৌ তাই।

হোর্মোনগী অহোংবা লাকপনা থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা নুপীশিংগী শরূ শোন্থরক্তুনা খোঙ, খুৎ নৎত্রগা খ্বাঙ তেক্কনবা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। মদুগীসু মথক্তা ভেজিনার অমদি য়ুরেথ্রাগী ইলাষ্টিসিটি হন্থরকপা মরম্না মপান থোক্লিংলকপদা খাঙজিনবা ঙমদে। মরম অদুনা লোক খুবা নৎত্রগা নোকপদা হক্কী ঈশিং তারকপা য়াই।

কনাগুম্বা নুপী খরদি থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলকই। মেটাবোলিজম তপথরকপদগী থৌওং অসি ওইহল্লকপনি।

মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, মৈখু শীজিন্নদবা, য়ু থক্তবা অমসুং নীংথিনা পোত্থাদুনা ৱাখল চরাংনহন্দবা তারবদি মেনোপোজগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবশিং কোকহনবা ঙম্মী হায়রি।



# ডা. কিষন, টোকেন অমসুং রাজেনগী নীংশিং থৌরম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬(ঐচ এন এস):

মমাঙদা পাঙথোকখিবগুম হন্দকসু থা অসিগী ১৭ তা মপারী নীংশিংকোল (মনিল)না শীন্দুনা লৈখিদ্রবা ডা. কিষন, টোকেন অমসুং রাজেনগী ৮শুবা লৈখিদবা নুমিৎকী থৌরম মপারী নীংশিংকোল ন্যু চৈরাপ কোর্ট উরিপোক্তা পাঙথোক্কনি হায়না মনিলগী সেক্রেটরি য়ুম্লেম্বম কাপুরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা কাপুরনা মখা তানা হায়খি, থৌরম অসিদা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী অখন্নবা মীওইশিংনা হৌখিবা মণিপুরগী পূন্সিরোল অমদি মণিপুরগী তুংদা লাক্কদবা পূন্সিরোল হায়বা অসিদা নৈনদুনা ৱাফম কয়া থন্বীরমগনি। লমদম অসিগী মীয়ামদা থমজনিংবা ৱাফমদি হয়েং থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ডা. কিষন, টোকেন অমসুং রাজেন লৈখিদবগী নীংশিং কুমওন অসিদা লমদম অসিগী ফুরুপচা খুদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু, হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীয়ু, অদুগা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসিদসু শরুক য়াবীয়ু।

হয়েংগী মীফম অসি হৌখিবা চহী ৭ তা পাঙথোকখিবা মীফম অদুগা য়াম্না খেন্নবা অমদি লমদম অসিগী ফুরুপ খুদিংমক্না ৱাহং কয়া থন্নরিবা অদুগী পাউখুম খরদি শোয়দনা ফংগনি। হয়েংগী মীফম অসি য়াম্না মরু ওইনা লমদম অসিগী মীয়াম্না লৌবীরগা শরুক য়াবীয়ু। ঙসি ফাওবা ডা. কিষন, টোকেন অমসুং রাজেনগী জে এ সীনা পাঙথোক্লম্বা লৈখিদবগী কুমওন অসি কুমজা ২০১৫ দগীদি মনিলনা চথরকপা অসিদা ঐখোয়না য়ারিবমখৈ মতম চানা তৌনবা হোৎনজে। হয়েংসু থৌরম অসি অয়ুক পুং ১০ দগী হৌজগনি। থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. এন খাগেন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, মনিলগী প্রসিদেন্ট এস টিকেন্দ্রজিৎনা প্রসিদেন্ট অমসুং অমজুগী প্রসিদেন্ট ৱাংখেমচা শমজাইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

হয়েংগী থৌরম অসিদা মণিপুরগী চীং অমসুং তমদগী লাকপা মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক্তা গাড়ী অচৌবশিং সগোলবন্দ লাইনদা লাক্লগা উরিপোক তাবা থোং অসি লাল্লগা উরিপোক্কী লাই শুমাঙগী লম্পাক অসিদা পার্কিং তৌফম শেম্লে। অদুগা গাড়ী মচাগীনা চৈরাপ কোর্টকী নাকলদা লৈবা মফম অসিদা থম্নবগী খুদোংচাবা পীবীরে।

মণিপুরগী অথৌবা অহুম অসি কুমজা ২০০৯গী ফেব্রুৱারী ১৬ তা য়াম্না তমথীরবা এন এস সী এন (আই-এম)গী মীহাৎতা লৈখিদ্রে। লমদম অসিগী মীয়াম্না অকনবা ঈহৌ হৌবদগী থৌদোক অসিদা মরু ওইনা চেন্নরিবা এন এস সী এন (আই-এম)গী সেল্ফ ষ্টাইল লেফটনেন্ট কর্নেল হোপসন নিংসেন পূন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীখ্রে। সী বি আইনা ইনক্বারি তৌরবা মতুংদা কেস অসি দিল্লিগী পটিয়ালা হায় কোর্টতা চথরবা মতুংদা হোপসন নিংসেনবু পূন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীখিবনি। অদুগা অতোপ্পা এন এস সী এন (আই-এম)গী সেল্ফ ষ্টাইল মেজর অশংনা সী বি আই কোর্টতা মশা লৈখিদ্রে হায়বা ৱাফম থমখ্রে। অতোপ্পা মীহাৎ অসিদা চেন্নবা সেল্ফ ষ্টাইল মেজর অবোসিপো অমসুং জোনিনা মীচেননি হায়না লাউথোক্লবা মতুংদা য়াম্না কন্না লমদম অসিগী মীয়াম্না হোৎনবদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা মীওই অনী অসি ৱান্টেদ লাউথোকখ্রে। মতুং তারকপদা জে এ সী হায়বসি য়াম্না কুইনা লৈবা য়াদবা মতম খরগী কম্মিটি ওইবা মরম্না জে এ সী অদু দিজোল্ব তৌখ্রে। মতুংদা মপারী নীংশিংকোল হায়না বোদি অমা শেমখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ২০০৯গী ফেব্রুৱারী ১৩ দা ডা. কিষন, টোকেন অমসুং রাজেনবু এন এস সী এন (আই-এম)না ফাখ্রবা মতুংদা চহী অদুমক্কী ফেব্রুৱারী ১৭ তা লুখম্বীগী থোং মখাদা অশিবা হকচাংশিং ওইনা ফংখিবনি।

# খুদম চাংদম লৈতনা লান্না উহন্নবা হোৎনরক্লবদি দিফেমেসন সুট তৌগনি : ওক্রম হেনরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬(ঐচ এন এস):

লাক্লিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিস-লেটিব এসেমব্লীগী মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা ঐহাকপু মীয়াম মাঙদা লান্না উহন্নবগীদমক খুদম চাংদম য়াওদবা শাশিন্নবা ৱাফম কয়া লান্না শন্দোরক্লবদি মদুদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা দিফেমেসন সুট তৌগনি হায়না ৱাংখৈ এ সীদগী আই এন সীগী মীরেপ ওইগ-দৌরিবা ওক্রম হেনরিনা ফোঙদোকখ্রে।

মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ওক্রম হেনরিনা হায়খি, কনাগুম্বা খরনা মহাকপু মীংচৎ থিহন্নবগীদমক অরানবা পাউথাং কয়া মীখল ময়াদা শন্দোরক্লি। মীখল ময়াদা লান্না উহন্নবগীদমক প্রোপেগন্দা তৌবগী হৈনবী অসি তোকপীরো। অচুম্বা ৱায়েল চথনবগীদমক জুদিসরি লৈরি। ফীভম অসিদা কনাগুম্বা খরনা হেনরিদি অদু তৌই অদা তৌই হায়রগা মরাল লৈবা মীওইনি হায়না লান্না পাউথাংলি। অদুবু অরানবা থবক অমত্তা তৌখিবদি লৈখিদে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মতম শাংনদগী ৱাংখৈ এ সীদা মপু পান্দবগুম, মপি-মপা লৈতবগুম লৈরক্লিবা ফীভম অসি হন্দক্কী মীখল মতুংদদি শোয়দনা অহোংবা অমা লাক্লগনি থাজে। মীয়াম্নসু এ সী অসি চাউখৎহন্দবা য়াদে হায়বগী চপ চাবা থৌদাং লৌবীরক্কনি থাজে। মীয়াম্না থল্লক্লিবা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোক্লনবা হোৎনগনি। কনাগুম্বা খরনা হেনরিদি ভোট লেপ্পা য়াররোই হায়না লান্না পাউথাংলম্বা অদু ঙসিদি মীখলগী স্ক্রুটিনি পাঙথোক্তুনা মীরেপ ওইবগী অয়াবসু লৈরে। মীখল অসিদা মায় পাকহন্ননবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু অঙম্বা থৌদাং হান্নদগীসু লৌবীদুনা লাক্লি। মখা তানসু লৌবীরক্কনি থাজে। ৱাংখৈ এ সীগী মীয়াম্নসু অফবা অওনবা অমা পুরক্লবগীদমক থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়না মহাক্না মখা তাখি।



# বেষ্ট ওফ অম্মিক্কী প্রিলিমিনরি রাউন্দ পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬(ঐচ এন এস):

তরাহুমদোইশুবা অপূনবা মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অম্মিক) কী বেষ্ট ওফ অম্মিক্কী প্রিলিমিনরি রাউন্দ ঙসি য়াইস্কুল জমস্থান্দা লৈবা সিকো ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

বেষ্ট ওফ অম্মিক প্রিলিমিনরি রাউন্দগী অথোই অহেন তান্নবা অদু শক্লাইরবা ঈশৈ ইবা যোধচন্দ্র সনসমনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখি। লোয়ননা অম্মিক্কী প্রসিদেন্ট শগোলশেম টিজেন্দ্রনা প্রিলিমিনরি রাউন্দ হৌদোকপগী অয়াবা পীখি।

প্রিলিমিনরি রাউন্দ অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা অম্মিক্কী প্রসিদেন্ট শগোলশেম টিজেন্দ্রনা হায়খি, বেষ্ট ওফ অম্মিক অসি মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদবনি। অদুবু লৈবাক্কী ঈরাং লৈবা অমদি অম্মিক্কী চনৈনবা খরা লৈখিবদগী পাঙথোকপা ঙমখিদবনি। অদুবু থেংলবসু থেংনা ফেব্রুৱারি থা অসিদা পাঙথোকপা ঙম্লে। বেষ্ট ওফ অম্মিক্কী ফাইনেল রাউন্দ থা অসিগী ২৬ পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিটোরিয়মদা অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী পুন্না মীওই ১০ খনগৎকনি। খনগৎলবা মীওই ১০ অসিদগী বেষ্ট ওফ অম্মিক খনগনি। লোয়ননা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা লৈগনি।

মসিগা লোয়ননা ঈশৈ ময়েক ইবদসু বেষ্ট লিরিক্স, সেকেন্দ অমসুং থর্দ বেষ্ট লিরিক্সকী মনা পীগনি। থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেল রাউন্দ অসিগী অরোইবা এৱার্দ য়েন্থোকপদা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ লান্থোক্কনি। এৱার্দ অসি শৈশকপা, ঈশৈ ময়েক ইবা অমসুং ম্যুজিসিয়নশিংগী মরক্তগী খনগদবনি। লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ অসিদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২০, সাইটেসন অমসুং লেংয়ান ফি য়াওরি।

বেষ্ট ওফ অম্মিক্লা লুপা লিশিং ১৫, সেকেন্দ বেষ্ট অমসুং থর্দ বেষ্ট অম্মিকনা লুপা ১০,০০০ অমসুং লুপা ৭,০০০ গী শেলগী মনা পীগনি। ঈশৈ ময়েক ইবগী অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনাসু শেলগী ওইনা লুপা ১৫,০০০, লুপা ১০,০০০ অমসুং লুপা ৭,০০০ ওইগনি। কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লুপা ১০০০ অমসুং সার্টিফিকেট পীগনি। লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা শৈশকপা, শৈশকপীশিং অসিগী মোরেল অমদি লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা ঈশৈনা থৌদাং লৌনবগীদমক্তা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি। ঈশৈনা নুংশিনবা অমসুং পুনশিনবগী ৱাখল্লোন অদু পোকহনবা ঙম্নবনি। ট্রেদিসনল ভেল্যু খঙহন্দুনা ঈশৈ শকহনবা অমদি লৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন লৈহন্নবা হোৎনবনি। লৈবাক নীংবা ঈশৈ হায়বসিসু ইনখৎলক্লিবা শৈশকপা, শৈশকপীশিংদা মরুওইনা খঙহন্নবা হোৎনবদা পাঙথোকচবা বেষ্ট ওফ অম্মিক্কী থৌরমনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কেপিং এন্দ ওথ টেকিং সেরিমোনি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬(ঐচ এন এস):

উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়দা লৈবা ইরেংবম থামচা দেবী নর্সিং এন্দ হেল্‌থ ক্যের রিছার্স ইনষ্টিট্যুটকী ১১ শুবা বেজগী জি এন এম মহৈরোয়শিংগী ঙসি কেপিং এন্দ ওথ টেকিং সেরিমোনি পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা ওথ টেকিংগী সেরিমোনিগী থৌরম অদুদা রিটয়ার্দ লেফটিনেন্ট কর্নেল সোরাম টিকেন্দ্রজিৎনা চীফ গেষ্ট, ইরেংবম থামচা দেবী (আই টি দি) নর্সিং এন্দ হেল্‌থ ক্যের রিছার্স ইনষ্টিট্যুটকী ফাউন্দর ইরেংবম ইবোতোম্বীনা প্রসিদেন্ট, মণিপুর ষ্টেট আর এস বি ৱাই সোসাইটি, লেবর দিপার্টমেন্টকী ইগজিক্যুটিব দিরেক্টর এন এস গোকুলমনি অমসুং জেনিমসকী নর্সিং সুপরিন্টেন্দেন্ট পি লন্ধোনিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা আই টি দি নর্সিং এন্দ হেল্‌থ ক্যের রিছার্স ইনষ্টিট্যুটকী ফাউন্দর ইরেংবম ইবোতোম্বীনা হায়খি, ঙসি অসি নর্সিং ইনষ্টিট্যুট অসিগী ১১ শুবা বেজগী জি এন এম মহৈরোয়শিংগী কেপিং এন্দ ওথ টেকিং তৌবতা নত্তনা লেম্প লাইটিংগী থৌরমসু পাঙথোকপনি। ঙসি ওথ টেকিং লৌরবা নর্সিং মহৈরোয়শিং অসি মখা তানা জেনিমস হোস্পিটালদা মখা তানা প্রক্টিকেল চথখিগনি। হায়রিবা নর্সিং মহৈরোয়শিং অসিনা প্রক্টিকেল মপুং ফানা লোইশিল্লবা মতুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা প্লেসমেন্ট পীবগী থবকসু পায়খৎকনি। ইনষ্টিট্যুট অসিদগী ঙসি ফাওবা পাসআউট তৌখিবা নর্সিং মহৈরোয়শিং হৌজিক ফাওবগী ওইনদি প্লেসমেন্ট পীদুনা লাক্লি। মখা তানসু পীননবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যু-য়েন্সীশিংদা কেন্দিদেট ওইরিবশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং য়াওবা মীফম অমা ওবজার্ভরশিংগা লোয়ননা থা অসিগী ১৮গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মিনি সেক্রেটরিয়েট কন্ফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না দিঈ ও বিষ্ণুপুরনা থোকপা নোটিস অমনা হায়রি। কেন্দিদেটকী ৱিথদ্রোয়েলগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা কেন্দিদেটশিং, পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং, আর ও অমদি এ আর ওশিংনা মতম চানা শরুক য়াবীয়ু।

# মণিপুর থুগায়নবা হোৎনবদি কোংগ্রেসনি : ভোরোত

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬(ঐচ এন এস):

মণিপুর থুগায়নবা বি জে পিনা হোৎনরে হায়না কোংগ্রেস পার্টিনা মীয়ামদা লান্না পাউথাংলি। মণিপুর থুগায়নবা তশেংনা তৌরিবদি কোংগ্রেস পার্টিনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফোর্মর প্রসিদেন্ট এক্স-এম এল এ মৈনম ভোরোতনা ফোঙদোকখ্রে।

লাক্লিবা তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীখলদা উরিপোক এ সীদগী বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা ডা. নামৈরাকপম দ্বিজমনিগী উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা ফিৱাল চিংখৎপগী থৌরমগা মরী লৈননা মৈনম ভোরোতনা হায়খি, সেন্টরদা কোংগ্রেস পার্টিনা লুচিংবা য়ু পি এগী মতমদা এন এস সী এন (আই-এম) গী লুচিংবা মুইভা থাজিল্লক্তুনা মণিপুরদা চঙহন্ননবা হোৎনরকখি। মতমদুদা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্লিবা কোংগ্রেস পার্টিনা অমুক মুইভা মণিপুরদা চঙবা য়াররোই হায়না থিংলগা মীয়াম মাঙদা হেরো শাননবা হোৎনখি। এন এস সী এন (আই-এম) বু মণিপুরদা ঙসি ফাওবা য়োকখৎলিবসি কোংগ্রেস পার্টিননি। এন এস সী এন (আই-এম) গী মথক্তা কোংগ্রেস লৈঙাক অসিনা করিসু এক্সন লৌবা ঙমদে। এক্সন লৌখৎকনি হায়দুনা লাউবা খক্তনি।

কোংগ্রেস পার্টিনা মীখল ময়াদা সেক্যুলরিজমগী ৱাফম লাউদুনা লৈরিঙৈদা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংদি মুৎখিগদৌরে। য়েলহৌমী কন্নবা মতিক চাবা থৌশিলদি অমত্তা পায়খৎতে। লাক্লিবা এসেমব্লী মীখল অসিদা বি জে পিনা চউনা মায় পাক্তুনা লৈঙাক শেমগনি। মীয়াম্নসু লমদমসিদা অফবা অওনবা অমা পুরক্লবগীদমক বি জে পিবু মপাঙ্গল কনখৎহনবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরমদুদা বি জে পি উরিপোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল রোমেনকুমার অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।